মণিপুরগী থাংজম তবাবীনা য়ুথ ওলিম্পিক্সকী জুদোগী মিক্স টিমদা সিলভর মেদল ফংখ্রে, টেবল টেন্নিসতা কমাথ ৪শুবা তাখ্রে

বিনোস আইরেস, ওক্টোবর ১১(এজেন্সী)ঃ অর্জেন্টিনাগী কোনুং বিনোস আইরেসতা পাঙথোক্লিবা ৩শুবা ৱর্ল্ড য়ুথ ওলিম্পিক্সতা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবী মণিপুরদগী হৌখিবী থাংজম তাবাবীনা জুদোগী মিক্স টিমদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রে। টেবল টেন্নিসতা অর্চনা কমাথ ৪শুবা তাহৌরে।

য়ুথ ওলিম্পিক অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাক ১২গী ওইবা অপুনবা টিম ১২ খায়দোক্তুনা শরুক য়ারকখিবদা এথেন্স টিমদা শরুক য়াখিবী টবাবী অমসুং অতোপ্পা জুদোকাশিং অদু ফাইনেলদা বৈজিং টিমগী মখুত্তা ফাইনেলদা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌবনি। টিম অমদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৮দগী জুদোকাশিংনা শরুক য়াখি।

রেঙ্ক ৱাংবা টিম অমা ওইখিবা টাবাবী য়াওবা এথেন্সকী টিম অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদগী শান্নবা হৌখি। ক্বার্টর ফাইনেলদা তবাবীগী টিম এথেন্সনা লোস এঞ্জেলিস টিম্বু পোইন্ট ৫-৩দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকখি। সেমীফাইনেলদা এথেন্সনা রিও দি জেনৈরোগা লম্বা তৌনরকপদা পোইন্ট ৫-৩া মায়পাক্লগা ফাইনেলদা বৈজিংগী টিমগা লম্বা তৌনখি। বৈজিংনা মখোয়গী ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা মোন্ত্রিয়েলবু ৫-২দা থোইরমখি। ক্বার্টর ফাইনেলদনা নানজিংবু ৪-৩দা থোইখি। অদুগা সেমীফাইনেলদা লন্দনবু পোইন্ট ৭-০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ফাইনেল অদুদা য়াম্না নক্লবা লম্বা অমদা বৈজিংনা ইন্দিয়াগী থাংজম টবাবী য়াওবা এথেন্সকী টিম্বু পোইন্ট ৪-৩দা থোইদুনা গোল্ড মেদল ফংলদা এথেন্সকী টিম সিলভর ফংহৌবনি। মিক্স জুদো কম্পিটিসন অদুদা সেমীফাইনেলদা মায়থীহৌখিবা টিম অনী লন্দন অমসুং রিও দি জেনৈরোনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

নুপীগী টেবল টেন্নিস দিসিপ্লিনদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী অর্চনা কমাথনা সিঙ্গলসতা সেমীফাইনেল মায়থীহৌদুনা ঙরাং ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক রোমানিয়াগী এন্দ্রি দ্রাগোমানগা লম্বা তৌরকপদা ১১-৮, ১১-১৩, ৯-১১, ৫-১১, ৯-১১দা মায়থীহৌদুনা মরীশুবা পোজিসন তাখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী অহানবা শান্নরোয় ওইনা টেবল টেন্নিসতা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙম্না ইন্দিয়াগী অহানবা ওইখি।

হোক্কিদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম অনীম্মক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা মতুং গ্রুপকী ৪শুবা রাউন্দ শান্নবদা মায়থীবা নংখি। নুপাগী টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবদা পাঞ্জল ৩-৪দা মায়থীবা নংখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেপ্তেন বিবেক প্রসাদনা ফিল্ড গোল অমা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফতা মায়কৈ অনীমক্তগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকপদা পাঞ্জল ২/২ চন্নবা ঙমখি। ওষ্টেলিয়ানা অহানবা হাফতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা কান্নবা পীখিবদগী মেচ অদু ৪-৩দা থোইখি। ঙসি অথেংবদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অরোইবা গ্রুপ মেচ অদু কানাদাগা শান্নরগনি।

নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়ানা য়ুথ ওলিম্পিক অসিগী য়ূম্বু অর্জেন্টিনাগী লম্বা তৌনরকপদা অহানবা হাফ অদুদা য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী পাঞ্জল ২-২দা লৈখি। মিনট ১০/১০গী হাফ অনী শান্নরকপদা পাঞ্জল মান্নদুনা লৈখি। শান্নরোয় ৫/৫না শান্নবা ফোর্মেটে অসিদা অনীশুবা হাফতা অর্জেন্টিনানা লাকশিনবা হেঞ্জিল্লকদগী মখাতানা পাঞ্জল ৩ চনশিনখিবদা ইন্দিয়াগী নুপীমচাগী টিম অদুনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমখিদবনি। মেচ অদুদা চন্নখিবা অপুনবা পাঞ্জল ৭মক ফিল্ড গোলদা চন্নখিবা ঙাক্তনি। ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিনা ঙসি অথেংবদা গ্রুপ ‘এ’গী অরোইবা লিগ মেচ অদু সাউথ অফ্রিকাগী টিমগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী চহী ১৯ মখাগী এ এফ সিগী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টকী শেম শাবা কেম্পতা মণিপুরগী শান্নরোয় ৭ শরুক য়ারি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১১(এজেন্সী)ঃ এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন (এ এফ সি)গী চহী ১৯ মখাগী চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী টিম শেম্মনবা চথরিবা প্রিপেরেটরি কেম্পতা মণিপুরদগী শান্নরোয় ৭ য়াওরি।

থা অসিগী ৯দগী ওরিষাগী সিটি কতকতা পাঙথোক্লিবা কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুরী শান্নরোয়শিং অদুদি- গোলকিপরদা এস মোনিকা, দিফেন্দরদা ৱাইখোম কনচন চনু, য়ুমলেম্বম পাকপী অমসুং অচোম দিএগোনি। মিদফিল্দদা ফিজম সনাথোকপী অমসুং অসেম রোজা অমসুং ফোৱার্দতা ঐচ দায়ানি। কেম্প অসি থা অসিগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি।

এ এফ সি চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না লৈবাক ২৫না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৬ থোক্লা খায়দোক্লগা লম্বা তৌনগদৌরি। ইন্দিয়াগী টিম অসি গ্রুপ ‘বি’দা নেপাল, পাকিস্থান অমসুং য়ূম্বু থাইলেন্দগা পূন্না লৈমিন্নরি। ইন্দিয়াগী অহানবা মেচ অদু ওক্টোবর ২৪দা পাকিস্থানগা শান্নগনি।

কেম্প অসিদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় অয়াম্বা হন্দক্তা ভুটানদা লোয়শিনখিবা চহী ১৮ মখাগী এস এ এ এফ চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়না অয়াম্বনি। ইন্দিয়াগী টিম অদুদা সাফ টুর্নামেন্ট অদুদা য়াম্না ফজনা শান্নরক্লবা মতুং সেমীফাইনেলদা নেপালগী মখুত্তা পেনাল্টি সুট আউটতা মায়থীহৌবদগী অহুমশুবা পোজিসনগী শান্নবদা য়ূম্বু ভুটানবু মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা পোজিসন তারকখিবনি।

টিম অসিবু লমজিং লমতাক্লিবা এলেক্স এম্ব্রোজনা অনৌবা শান্নরোয় ৪ হাপচিদুনা পূন্না শেমশাবগী কেম্প অদুদা শান্নরোয় ২৫ শরুক য়ারি। নৌনা খনখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি- মণিপুরদগী ঐচ দায়া (ফোৱার্দ), বিহারদগী মমতা কুমারী (দিফেন্দর), হরয়ানাদগী রেনু (ফোৱার্দ) অমসুং ঝরখন্দদগী বিনিতা করকেরা (ফোৱার্দ)নি।

মবাগী জি বি মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর অমেচর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন (এম এ বি বি এ) গী জেনরেল বোদি মীফম থা অসিগী ২৬কী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা ককৱা অসেম লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙতোক্লগনি। মীফম অসিদা মাবাগী এক্স মেম্বরশিং অমদি মেম্বরশিংনা মতম চানা লাক্তুনা মীফম অসিবু মপূং ফানা শরুক য়ানবা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি টি বিশ্বরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মেচশিং য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস) ঃ য়ুথ প্রোগ্রেসিব ক্লব ইশোক মখা লৈকায় (ৱাই পি সী) না শীন্দুনা ইশোক মখা প্রাইমারি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল সেনিয়র মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ মেচশিং নোং-চীংনা মরম ওইদুনা গ্রাউন্দগী ফীভম ফত্তবদগী মতম কত্তনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা অনৌবা ফিক্সচর থোক্ত্রিফাওবা য়ৈথোক্লে হায়না ৱাই পি সী ইশোক্কী সেক্রেটরি সেরাম খেম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

এসিয়ন পেরা গেমসকী নুপাগী হায়জম্পতা ইন্দিয়ানা মেদল অহুম্মক লৌখ্রে, গুরজরনা জেবিলিন থ্রোদা সিলভর ফংখ্রে

জকার্টা, ওক্টোবর ১১(এজেন্সী) ঃ ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী কোনুং জকার্টাদা পাঙথোকপা এসিয়ন পেরা গেমসতা ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হায়জম্পতা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অহুম্মক লৌখ্রে। জেবিলিন থ্রোদা ইন্দিয়াগী সুন্দর সিংহ গুরজরনা সিলভর মেদল লৌখ্রে।

নুপাগী টি ৪২/৬৩ কেটেগোরিগী হায়জম্পতা ইন্দিয়াগী এথলেট অহুম্না গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা সরতকুমারনা ঙসিসু অনৌবা রেকোর্দ অনী থম্বগা লোয়ননা গোল্ড মেদল অদু ফংখি।

মশাগী চহী ২৬শুরবা ৱর্ল্ড পেরা চেম্পিয়নশিপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা সরতকুমারনা কেটেগোরি অদুগী হায়জম্পতা মিটর ১.৯০ চোঙদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। অমরোমদা কুমজা ২০১৬ রিও পেরালিম্পিক্কী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ইন্দিয়াগী বরুন ভাতিনা মিটর ১.৮২ চোঙলগা সিলভর মেদল অদু লৌখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেরা এথলেট রিও পেরালিম্পিক্সকী গোল্ড মেদলিষ্ট থাংদাবেলু মারিয়াপন্না মিটর ১.৬৭ চোঙলগা ব্রোঞ্জ মেদল অদু ফংখিবনি।

টি ৪২/৬৩ কেটেগোরি অসি হকচাংগী মখা থংবা খোঙগী শরুকশিংদা শাংবা মান্নদবা, মসলগী পাঙ্গল ৱাংপা অমদি চৎপদা মান্নদবগী অশোনবা লৈবশিং অদুগী কেটেগোরি অমা ওইরিবনি।

সরতকুমার ইন্দিয়াগী বিহারদগীনি। মহাক মশাগী চহী ২ শুরকপদা ওই থংবা খোঙ অদু পেরালাইসিষ্ট তৌরকপদগী পেরা এথলেট অমা ওইনা কম্পিটিসন্দা শরুক য়ারকপনি।

হায়জম্প ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী এথলেটনা মেদল অহুম লৌখিবা অদুগী মাঙওইননা নুপাগী এফ ৪৬ কেটেগোরিদা সুন্দর সিংহ গুরজরনা জেবিলিন থ্রোদা সিলভর মেদল ফংখি। গুরজরনা ইভেন্ট অদু মহাক্কী মঙারকশুবা ইটেম্পতা মিটর ৬১.৩৩ লংদুনা সিলভর মেদল অদু ফংখি।

এসিয়ন পেরা গেমস অসিগী মাঙওইননা সুন্দর সিংহ গুজরনা ফিল্ড লেন্দদা চৎতুনা নুমিৎ ২২গী ওইবা ত্রেনিং চথখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা শ্রী লঙ্কাগী দিনেস হেরাদনা মিটর ৬১.৮৪ লংলগা ফংখিবনি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এথলেট রিঙ্কুনা মিটর ৬০.৯২ লংলগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এথলেট লৈবাক অসিগী খেল রত্না এৱার্দসু ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী পেরালেম্পিয়ন-শিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা দেবেন্দ্র জঝারিয়ানা মিটর ৫৯.১৭ লংলগা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

পনবা য়াবদি, জঝারিয়া পেরালি-ম্পিক্সকী গোল্ড মেদল অনীরক ফংবা ঙমখ্রবা এথলেট অমনি।

নুপাগী মিটর ৪০০গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী অবনিলকুমারনা সেকেন্দ ৫২দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা ইরানগী পেরা এথলেট ওমিট জারিবসনায়ৈনা সেকেন্দ ৫১.৪১দা লৌখি। লোয়ননা থাইলেন্দগী সোংরুদ লমসান্না ইন্দিয়াগী অবনিলকুমারদগী সেকেন্দ অমা ফাদনা হেনখিবদগী অনীশুবা পোজিসন তাখিবনি।

ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ত্রেক এন্দ ফিল্দদা অতোপ্পা মেদল খরসু হাপচিনবা ঙমখি। টি ৪৪, ৬২/৬৪ কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী আনন্দন গুনসেকরম্না নুপাগী মিটর ৪০০গী লমজেলদা সিলভর মেদল ফংখি। লোয়ননা ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এথলেট বিনয় কুমারনা ব্রোঞ্জ লৌবা ঙমখি।

নুপাগী টি ৪৫/৪৬/৪৭ কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী সন্দিপ মান্না ব্রোঞ্জ ফংখি। অদুগা নুপীগী চপ মান্নবা কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী জয়েন্তি বেহরানা সিলভর মেদল লৌখিবনি। হায়রিবা কেটেগোরি অসি হকচাংগী মথক থংবা খৃৎকী শরুকশিংদা শাংবা মান্নদবা অমদি অৱাংপা লৈবশিংগী ওইবা শান্নরোয়শিংনা লম্বা তৌবনি।

মীৎ উবগী চাং ৱাংপগী কেটেগোরি ওইরিবা টি ১২দা ইন্দিয়াগী রাধা ভেঙ্কটেজনা মিটর ৪০০গী লমজেলদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখি।

স্বিমিংদা কেটেগোরি এস ১০গী নুপাগী মিটর ৪০০গী ফ্রীষ্টাইল কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী স্বিমর সোটনিল পটিলনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। হায়রিবা কেটেগোরি অসি মীৎ উবগী চাং ৱাংপশিংগী ওইবা কম্পিটিসন অমা ওইখি।

হিরো আই-লীগপু এ এফ সীনা নোমিনেট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী) ঃ এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন্না চহী খুদিংগী পীবা ‘বেষ্ট দিভলপিং ফুটবোল লীগ ওফ দি য়র’ গী মনা পীননবা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা হিরো আই লীগপু অতোপ্পা লৈবাক অনীগী লীক অনীগা পূন্না খনগৎখ্রে।

এস পি আই এ এৱার্দ পীবগী থৌরম অদু থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা নবেম্বর ১৯ অমসুং ২০দা পাঙথোক্কদৌরি।

পনবা য়াই, হিরো আই লীগকী মথংগী এদিসন্দা ক্লব ১১ শরুক য়াগনি। লোয়ননা লীগ অদুগী চেম্পিয়ন ওইবা ক্লব অদুনা এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকীদমক শরুক য়াবা য়াগদৌরি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮০

১। ষ্টোন দ্রেগোন টাউন করম্না মশান্নগীদমক মমিং চৎলি ?
২। পেলে অমসুং বেকেনবরনা মীচং ওইবা ফুটবোল টিম অমনা চাইনাগী ফুটবোল টিমগা করম্না চহীদা মেচ শান্নখিবগে?
৩। অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি।
৪। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ঐঙোন্দা ‘এ সিটিজন ওফ দি ৱর্ল্ড’ হায়বা সার্টিফিকেট অমা পীখি। ঐ কনানো?
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

৩০শুবা সব জুনিয়র খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

নুপাগীদা এস ৱাই ভি এ, এ এস কে কে এ, এস সী ঈ এ এস দি ও, সী ঐচ এম ৱাই দি এ মায় পাকখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচএন এস) ঃ মণিপুর অমেচর খো-খো এসোসিএসন (মাকা) গী মীৎয়েং মখাদা সলুংফম য়ুথ স্পোর্টিং এন্দ কলচরেল এসোসিএসন (এস ৱাই এস সী এ) না শীন্দুনা সলুংফম পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৪৩শুবা মণিপুর ষ্টেট সেনিয়র অমসুং ৩০শুবা সব জুনিয়র (লেট পি ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল ত্রোফি) খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী সব জুনিয়রগী কেটেগোরিগী ঙসি শান্নখিবা নুপা কাঙলূপকী মেচশিংদা এস সী এ এস টি ও হৈরোক, সী ঐচ এম ৱাই দি এ শঙ্গাইয়ুম্ফম, এস ৱাই ভি এ তহোকা অমসুং এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাই মায় পাকখ্রে।

৩০শুবা সব জুনিয়র লেট পি ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিএল ত্রোফি খো-খো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী মখা চথরকপা মেচ ওইনা নুপাগী কেটেগোরিগী অহানবা কোর্টতা গ্রুপ এগী এস সী ঈ এ এস টি ও হৈরোক অমসুং জে এ কে এ ককচীং শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা অদু লোইশিল্লকপদা এস সী ঈ এ এস টি ওনা জে এ কে এবু পোইন্ট ৪-২দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা কোর্টতা গ্রুপ দিগী সী ঐচ এম ৱাই দি এ শঙ্গাইয়ুম্ফম অমসুং এস ৱাই এ সলুংফম শান্নখিবা মেচ অদু সী ঐচ এম ৱাই দি এ শঙ্গাইয়ুম্ফম্না এস ৱাই এ সলুংফম্বু পোইন্ট ১২-৬তা মায়থীবা পীখি।

অহুমশুবা কোর্টকী গ্রুপ সীগী আর য়ু সী খাঙবোক অমসুং এস ৱাই ভি এ তহোকা শান্নখিবা মেচ অদু এস ৱাই ভি এ তহোকানা আর য়ু সী খাঙবোকপু পোইন্ট ২০-১৮দা; মরিশুবা কোর্টতা এ এস কে কে এ অৱাং সেকমাই অমসুং এস ৱাই এস সী এ-বি সলুংফম শান্নখিবা মেচ অদু এ এস কে কে এনা এস ৱাই এস সী এবু পোইন্ট ১২-৭তা অমসুং নুপা কাঙলূপকী অরোইবা মেচ ওইনা তরুকশুবা কোর্টতা সী ৱাই দি সী খাঙবোক অমসুং বি এ এস য়ু খাঙবোক শান্নখিবা মেচ অদু সী ৱাই বি সীনা বি এ এস য়ুবু পোইন্ট ১১-৫দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী কাঙলূপকী অহানবা কোর্টতা এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোক অমসুং পি ৱাই দি সী চেরাপুর শান্নখিবা মেচ অদু পি ৱাই দি সীনা এস সী ঈ এ এস দি ওবু পোইন্ট ৪-৩দা; অনীশুবা কোর্টতা আর ৱাই সী কৈবি অমসুং সী ঐচ এম ৱাই দি এ শান্নখিবা মেচ অদু সী ঐচ এম ৱাই দি এনা পোইন্ট ৭-৬তা, অহুমশুবা কোর্টতা আর য়ু সী খাঙবোক অমসুং এস ৱাই এস সী এ সলুংফম শান্নখিবা মেচ অদু আর য়ু সীনা এস ৱাই এস সী এবু পোইন্ট ১৩-৯দা অমসুং অরোইবা মেচ ওইনা মরিশুবা কোর্টতা সী ঐচ এম ৱাই দি এ শঙ্গাইয়ুম্ফম অমসুং এস ৱাই এস সী এ সলুংফম শান্নখিবা মেচ অদু সী ঐচ এম ৱাই দি এনা এস ৱাই এস সী এবু পোইন্ট ১১-৮দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেনিয়র কেটেগোরিগী মেচশিং হয়েং নুংথিলদগী শান্নবা হৌরগনি।

এম য়ুগী ত্রায়ল সেলেক্সন কম কোচিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১১ (ঐচ এন এস) ঃ ওদিষাগী সম্বলপুর য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ফুটবোল মেন্স টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯দা শরুক য়ানবা এম য়ুগী নুপা ফুটবোল টিম শেম্নবগী ত্রায়ল কম কোচিং পাঙথোক্লগনি।

ত্রায়ল সেলেক্সন কম কোচিং অসিদা শরুক য়ানবগী খল্লক্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপর ওইনা মোইরাং কোলেজকী ৱাই রাজু, এম আই টিগী লালরেম্মারিয়া, ওরিয়েন্টেল কোলেজকী এম বিমোল, মোইরাং কোলেজগী ৱাই রাজু, কে খুনৌ কোলেজকী এম রোনাল্ড, সী আই কোলেজকী দব্লিয়ু বিজেন, য়ুনাইটেদ কোলেজকী ভি এ লাওরেন্স, ইম্ফাল কোলেজকী সী ঐচ সদানন্দা, কে পি কোলেজকী নোংপোকঙানবা এন, এন জি কোলেজকী পি রঞ্জন মীতৈ অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এস কৃষ্ণনি। দিফেন্দরদা এম য়ুগী এম অমরজিৎ, থম্বাল মরিক কোলেজকী এ রিসিকেস, এম জেমসন, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী চাউবা, অমর, প্রসিদেন্সি কোলেজকী মাখোলেন মাতে, পাওলেন্সিয়াম, এম বি কোলেজকী জামগাওলুং কিপজেন, মোইরাং কোলেজকী এ রোজান্তা, কে সুরজ, এম সন্তোস, কে খুনৌ কোলেজকী এ য়াইমা, ৱাই অবোচা, ময়ায় লম্বী কোলেজকী এল জিবন, খা মণিপুর কোলেজকী এম দি নাসির খান, এম দি ইমরান শাহ, য়ুনাইটেদ কোলেজকী এস ঐচ সেপবরঙম মোন্সাং, খোমলো মোর্নিংসন, ইম্ফাল কোলেজকী এস বৌধোন, এল তোনদোন, কে পি কোলেজকী মনিতোম্বা সী ঐচ, রোসন নাওরেম, টি ন্যুতন, লিবরেল কোলেজকী কে ঐচ তাইবংঙানবা, মণিপুর কোলেজকী চুংমৈ, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী দব্লিয়ু সাইলেস, ৱাই কে কোলেজকী টি নোংপোকঙানবা, এল থোইবা, এম নোংদম্বা, ষ্টেন্দর্দ কোলেজকী ৱাসিম ৱাই অমদি বিরমঙ্গল কোলেজকী এস জেমসনি।

মিদফিল্ডিরদা ষ্টেন্দর্দ কোলেজকী এম দি ইমটিয়াস, ৱাই কে কোলেজকী এম সত্যবহুৱন, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী কে ৱাংলেন, চুইমি, এম আই টিগী টি ঐচ মোসিনর টনতাংনা, এন এল সানোয় কোলেজকী য়াইফবা পুখ্রম্বম, এল মৈরাবা মীতৈ, ওরিয়েন্টেল কোলেজকী এল হেরোজিৎ, থম্বাল মরিক কোলেজকী ও সান্তা, দি এম কোলেজ ওফ কম্মার্সকী ৱংনৌসো চিথুং, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী চিংকিয়ুন, প্রসিদেন্সি কোলেজকী সৈমিনলাং, এম বি কোলেজকী এম দি অলটাব হুসেন, মোইরাং কোলেজকী এ জেক্সন, এম দি অজিমুদ্দিন, কে খুনৌ কোলেজকী কে সঞ্জু, সী আই কোলেজকী দব্লিয়ু রবি, ময়ায় লম্বী কোলেজকী রবিচন্দ্র, মোর্দন কোলেজকী এম এলবিস, খা মণিপুর কোলেজকী এস ঐচ মনিচন্দ্র, য়ুনাইটেদ কোলেজকী পি এচ থানিৱার, এস ঐচ মারকোনি মোন্সাং, টি এস জেস-মোনুঙ্গে, ইম্ফাল কোলেজকী কে দয়ানন্দা, কে পি কোলেজকী টি জেমস, লিবরেল কোলেজকী কে ঐচ লকি, ৱাই জেমস, মণিপুর কোলেজকী ধনচন্দ্র, এন জি কোলেজকী এল চীংখৈ, জাংগিনমাং, এম য়ুগী লুনসিনগৌ গোলমৈ, ও সুরচান্দ অমদি বিরমঙ্গল কোলেজকী কে ঐচ বিরজিৎনি।

ফোরৱার্দ প্লেয়রদনা এন এল সানোয় কোলেজকী ও সনাজাও, দি এম কোলেজ ওফ কম্মার্সকী কে এস ঐচ প্রেম, নরেস লাইশ্রম, এম আই টিগী কে ঐচ লেম্বা, দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী গোগৌ, সোমিথেম, ওরিয়েন্টেল কোলেজকী টি ঐচ পালমৈ, প্রসিদেন্সি কোলজকী সেলেনমাং-দোঙ্গেল, এম বি কোলেজকী জনগাওলেন খোংশাই, মোইরাং কোলেজকী ঐচ সাইলেস, এম মালক্যুর কোম, প্রতিকুমার, কে খুনৌ কোলেজকী এ ৱাশিংটন, সী আই কোলেজকী কে ঐচ গ্যানেন্দ্র, পানমৈ তোমী, ময়ায় লম্বী কোলেজকী দব্লিয়ু পারি, এম দি ফেজাল, মোর্দন কোলেজকী এল ফেজাল, জামখোতিনলেন, খা মণিপুর কোলেজকী এম জেক্সন, য়ুনাইটেদ কোলেজকী এন এল থুমথা, ত্রাম্বুং ওলিবর, ইম্ফাল কোলেজকী এল বিক্রমজিৎ, টি ঐচ মালেমঙানবা, কে পি কোলেজকী রেগান থোকচোম, পিপিয়ু অহৈবম, সেনসেন ওইনাম, মণিপুর কোলেজকী ঐচ বিক্রম, দি এম কোলেজ ওফ সাইন্সকী এম দেবিদ মীতৈ, ৱাই কোলেজকী ৱাই জয়চন্দ্র, টি ঐচ থোইথোইবা, ষ্টেন্দর্দ কোলজকী এ দিঙ্কু, এম য়ুগী সেমিওন কামৈ অমসুং বিরমঙ্গল কোলেজকী টি ঐচ টিপুনি।

ত্রায়ল সেলেক্সন কম কোচিং কেম্প অসিদা শরুক য়ানবা খল্লবা শান্নরোয়শিংনা কাঞ্চিপুরগী এম য়ু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১২গী অয়ূক পুং ১০ তাবদা মতম চানা লাক্লবা এম য়ুগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টসকী ডা. সী ঐচ প্রদিপনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

টিয়ানজিন ওপন্দা ফ্রান্সকী কেলোরিন গার্সিয়া ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

টিয়ানজিন, ওক্টোবর ১১ (এজেন্সী) ঃ চাইনাগী সিটি টিয়ানজিন্দা পাঙথোক্লিবা টিয়ানজিন ওপন দব্লিয়ু টি এ টেনিস টুর্নামেন্টতা ফ্রান্সকী শান্নরোয় কেরোলিন গার্সিয়া ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা কেরোলিন গার্সিয়ানা চাইনাগী শান্নরোয় ঝাং য়ু জোনবু ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্লোভেনিয়াগী পেত্রা মার্টিক্কা লম্বা তৌনরগনি। মার্টিক্না মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী এফ লুইবু ১-৬, ৬-০, ৬-১দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সীদেদ শান্নরোয় বেলজিয়মগী এলিসি মার্টেন্সসু ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মার্টেন্সনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী জানা সেপেলোভাবু ৬-২, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্বনি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না মঙাশুবা সীদেদ টাইৱান সৈ সু ৱৈগা লম্বা তৌনরগনি।

মরিশুবা শান্নরোয় বেলারসকী এ সবালেনকানা ক্বার্টর ফাইনেলদা স্বিটজরলেন্দগী টিমিয়া বক্সিন্সকিগা লম্বা তৌনগনি। অদুগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদনা জেক রিপব্লিক্কী কেটেরিনা প্লিসকোভা অমসুং গ্রেট বৃটেনগী কে বোলটরগা থেংনগদৌরিবনি।

চাইনাগী অতোপ্পা সিটি শাংহাইদা চথরিবা শাংহাই মাষ্টরস টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ মশক খঙবা লোইখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সীদেদ ওইরিবা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা জপানগী কৈ নিসিকোরিগা লম্বা তৌনগনি।

ফেদররনা স্পেনগী বোটিষ্টাবু ৬-২, ২-৬, ৬-৪দা থোইরমখি। অদুগা নিসিকোরিনা য়ু এসকী সাম কোয়রিবু ৭-৬ (৯-৭), ৬-৪দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সীদেদ শান্নরোয় সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনগা থেংনরগনি।

জোকোভিচনা ইটালিগী কাচিনাতোবু ৬-৪, ৬-০দা মায়থীবা পীখি। অমরোমদা এন্দরসন্না গ্রিসকী সেসিপাসপু ৬-৪, ৭-৬ (৭-১) দা থোইরম্বনি।

জর্মনিগী টুর্নামেন্ট অসিদা মরিশুবা সীদেদ ওইরিবা এন্দ্রি জ্বেরেবনা ক্বার্টর ফাইনেলদা গ্রেট বৃটেনগী কে এদমুনগা লম্বা তৌনরগনি। জ্বেরেবনা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় এ দি মিনোরবু ৬-১, ৬-৪দা থোইখি। অদুগা এদমন্না এন জেরিবু ৭-৬ (৭-৫), ৬-৩দা মায়থীবা পীরমখি।